# ‘নোংমদা পোকপা মচানি নীনি শিবা হৌনদে-!’

- এল ইবোমচা -

য়ূম্লোন কৈরোন্নবদা অমসুং খুঙ্গং, লৈকায়দা খৎন-চৈনবগী, হাৎন-শুনবগী খুদোংথীবা থৌদোক-ৱাথোক অমা থোক্লকপা মতমদুদা মহাক্না নত্তনদি খান্বীনবা অমসুং ৱায়েল বিচার তৌবীনবা কনাসু লৈতবা অদুগা ফঙ্কসন অমা অমসুং অচৌবা মীটিং অমা পাঙথোকপা মতমদসু মহাক্না নৎত্রবদি চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং স্পিকর ওইবীনবা অতোপ্পা কনা লৈতবা অদুবু মশাগী ইমুং-মনুংনদি মহাকসি মী ওইনা থাদবা মীওই কোকথোং অমা লৈ। অদুগা মীহাৎ-মীপূন, খৎন-চৈনবা, হুরান-চিন্থিনচিংবা ক্রাইম কয়াবু ৱায়েল চথরগা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনরিবা উকিল, জজ, মেজিষ্ট্রেটশিংগী মরক্তসু মীওই ৪/৫ খক্তং লৈজবা মশাগী অপীকপা ইমুংদা থোকপা ৱাথোক মচা অমদা ৱায়েনবা ঙমজদবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু লৌশিং য়াম্না লৈবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈ-শিংবা মীশক অমনি হায়দুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা শীংথানবা কয়া লৈরবসু মাগী ষ্টেট অমা ওইরিবা পীকখ্রবা মণিপুরদা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপা ফোরেন্নর নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদগী লম মুন্নবা লান্দারকপগী থৌদোক অমগী মতাংদদি উঁদে তাবা মীগুম্না পুংপঙ পঙশিন্দুনা লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীতৈশিংনা মঙোন্দা থল্লম্বা থাজবা কয়ামরুম মহাক্না উৎলিবা মওং-মতৌ অসিগা য়েংনরুবদা চাউনা খেন্নবদুনা মরম ওইরগা মাগী মথক্তা য়াম্না ৱারৌনরে।

চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিং তুম্না হাৎননবা অকনবা মওংদা লান্দারক্তুনা অসুক্কী মতিক অৱাবা নংলবা মতম অসিদা নোংমতসু করি থোক্লে হায়না হংবীখিবা লৈত্রি। মাগী মহুত্তা অহানবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) অমসুং অনীশুবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরবু তাঙ্কক অনীরক্তা পাখোল ওইনা থারক্তুনা য়োংনা তল য়েনবগী মওংদা অচান মীরাই নাইনা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং মীতৈশিং অনীগী মরক্তা অরুম-অয়াং শান্নরুনবা থারকই। মিনিষ্টর অনীমক মনুংদা করি লৈবনো খঙদে, ফোরেন্নর নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা য়াম্না ফোংনা শৌগৎলি অদুগা মীতৈশিংনা থাগৎশিন্নরগা তিকি পীজরগা থম্মী। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈ কয়ামরুম শিবা, শোকপা-পনবা নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লি, ময়ূম মকৈ কয়া মৈনা তুম্নবা থাদোকখিবদগী খুল কয়া মশীং খঙদনা তুমখ্রে। অসুক য়াম্না চাউনা খুদোংথীবা নংফমদি থোক্তবনি অদুবু মীতৈশিংনা ইপা-ইপুশিংনা চৎলম্বা লিক্লম কান্দবা থৌগল্লোন খঙবা মতৌ অদু চৎলুবননি। হায়বদি শৈদাংলবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনি হায়বদু খঙনা-খঙনা ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগীসু লুনা-চান্না তৌরম্বনা ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি, ইচিল-ইনাওনি খল্লুবনা অসুম্না হুরান-লোনাদা লান্দারক্কনি কনানা থাজরুনি।

অসুম্না হুরান লোনাদা লান্দারক্কনি হায়বা হান্না খজিক্তং খঙলম্লবদি ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক থৱায় থাদোকপা পাম্মুদবা মীতৈ লৈমা ইমাগী মথৌনা ফরবা নোংশাগুল্লবা মপারি ময়াম অসিনা ঙঙবতদা হৌ থাদুনা চেনখিনি। খূৎনা হাৎলুবগী মহুত্তা কিদুনা চেনবতদা খুদি থীদুনা শিরমগনি। নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা নারোন্দা লান্দারকপা ওইখিবনা অসি য়ৌনা মীতৈশিং ফীভম শোকখিবনি। মসিগীদমক খল্লুবদা মীতৈশিং থম্মোয়দা খূৎতুম্না শুনদুনা প্রোক-প্রোক চাক্তুনা নীংঙমদনা ৱানা খাঙনরি। অমুক্কা হেন্না নীংঙমদবা পোক্নরিবদি মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং অসিনি। হায়বদি অসুম্না লান্দারক্কনি হায়বদু মাঙজৌননা খজিক্তং হান্ননা খঙলম্বা থোক্লবদি ঐখোয়গী খূৎশু ওইরিবা থাঙ্গোল অমসুং ফিশা তেম্না খূৎলায় ওইরগা মায়োক য়ারমগদবনি হায়বসিনি।

লান অসিদা চিন-কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিংনা খূৎমাবা হানখিবনা ফীভম থীনা শোক্লবা মীতৈশিংগী মতৌদু উরগা হরাওবনা পন্দোম লোল্লবা কুকি মিলিটেন্টশিং লান লেপকনি কাউবমখে হেন্না হেন্নদুম কনশিল্লকই। লান মায়োক য়ারুনবা অথৌবা পোকপী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা মচাশিং মকোক্তা, মশাদা মনম শুৎ-শুৎ নম্বীরগা লানফমদা চঙননবা থাজিল্লক্লে। নহান মখৈদি মীতৈশিংনা লান য়াওদ্রি, লান মায়োক্নবা থোক্লকত্রি, শুপ্নতগী ঙাকথোকচদুনা লাকপনি। ঙসিদি ইমা-ইবেলশিংনা লানবুং ময়ায় চঙখিবা থৌনা ফরবা মচাশিংনা চৎখিবা মায়কৈদা য়েংলগা মায় পাক্লগা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈনরে। মমাগী থৌজাল ফংলবা থৌনা ফরবা মীতৈ মচাশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক শিবা চঙবা খঙনদ্রে, মীতৈশিংদি লান হৌবতবু ঙাইরি হায়বা য়াই।

হান্নদি করিসু খঞ্জিল্লুদনা তূমিন্না লৈজরম্বা মীতৈশিং কুকিগী মীওৎ মীনৈ হেঞ্জিল্লকপদগী ঙসিদি মৈ হৌনা শাওরে। হায়বদি য়ূমথংনবা লৈবাক্তা শা-লান, মৈহৌ-লাংপোক থোকপনা মথ্বায় হিংনবা লাঞ্জেল্লকপা ঙাক্তনি খল্লুদুনা মীনুংশিদা তরাম-তরাম্না ওক্তুনা রিফ্যুজি কেম্প লিংদুনা লৈঙাক্কী থৌশিল অমগী মখাদা লৈবনি খল্লুবনি। অদুগাদি খল্লুবদুগী ওন্ন-তৈনবদা তাংজফম মফম পীরিবা মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা লান্দারকপনি। মসিদবু চিন-কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিং অসিবু লেম্না থাবা য়াব্রা হায়বগী ৱাখলদা মীতৈশিং পূম্নমক লৈনখ্রে। মালেমগী মীওইবা ফুরুপসিগী মরক্তা চৎহৈদবা লমচৎনি, কুকিশিংবু কৈদৌনুংদা ঙাকপীগুমসি হায়না ঙাঙনবা হৌরক্লে। তৌবগীসু হৱা-নুংশিৎনা মরম ওইরগা অরাপ-অরাপ্পা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী উচেক-ৱায়া কয়া শঙ্গু-শঙ্গু পাইরক্লগা চাক্তারবা মতুংদা মকুম-মথা য়ৌরক্লগা মশা-মশাগী হৌরকফম মফমদা হনখিবনা মখোয়সু অদুমক হঞ্জখিনি খন্নরুবনি। অদুবু ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকখিবা চিন-কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিং অসিদি হনগনি খন্নবদি লায়রদনা ঈং-তপ্না নিংথিনা ফজখ্রবা ইমা লৈবাক মণিপুরগী উমং-ৱামংশিং শিৎ-নান্না কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী থারগা কানি শুংবা, হিরোইন পাউদর শুংবগী থবক চথদুনা লৈথোক্লি। মসিগুম্বা ফৎত্রবা থবকশিং অসি মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্না খঙলকপদগী মখোয়না পোপি থাবদা থিংলুবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা পাক্তক্না খুল তাশিনবদা থিংলুবা অমসুং এন আর সী চৎননবা থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌরুবদগীদি মখোয়দৌ প্রোক-প্রোক চাক্লবা চিন-কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিং অসিনা অতম্নবা মীতৈশিংদা ওনশিল্লক্লগা লান্দারক্লিবনি। মসিবু হৌনবা থবক্লা? মখোয় অসিবু মীরা, শারা হায়না হংনরকপা তাবনি। মরমদি মীগী লৈবাক অমদা তাংজফম লৌদুনা লৈবা তারবদি লৈবাক্তুগী নাৎ-চৎনবী ঙাক্না চৎকদবনি অমসুং ইকায়খুম্ন গদবনি। মদুদি নত্তনা ঐ ইশাগী ইরম নত্তে মতাগুম্না লৈবাক মাঙবা-মাঙদবা খঙদে, তৌনীংবা থবক তৌগনি, অথিংবা পীরক্লগনা বোম, টোপ, নোংমৈনা লান্দাশিনগনি, য়ূম-কৈ মৈনা তুম্নবা থাদোক্তুনা খুল তুমহল্লগা লম মুনগনি হায়দুনা খল্লিবা ৱাখল অসিবু করম্বা কাঙলূপ ফুরুপ্না খাঙদুনা লৈবা ঙমগনি।

মীতৈশিংনা থম্মোয় চাক্না মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা ৱারৌরিবসু মতাংসিদনি। মরমদি লমদম অসিদা শৈদাংফম লৌররিবা ম্যান্মারগী চিন কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিংবু ‘সূ’ গী মিংদা মণিপুরগী মনুংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহল্লুবা অদুগীনি। মসিগুম্বা তমথীরবা থৌদোক ৱাথোকসি মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক কয়াদা থোকখিবগী ঈ-পাউ নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী টিভি চেনেলশিং কয়াদা উখিবা লৈরবনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঙসিদি লাঞ্জাও অসি হৌখ্রে। মখোয়গী পান্দমদু ফংদ্রিবা ফাওবদি মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দাবা লেপ্লোই লাউথোকখ্রে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মীতৈশিং মখোয়গী নম্বর ৱান য়েক্লবনি হায়দুনা মালেম পূম্বা তানবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মীতৈশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা ঙল্লরোই হায়না ৱাশক পরৈ থম্নখিবা লৈখ্রে। শৈদাংফম লৌরগা লৈরিবা মখোয়গী অসিগুম্বা কা হেনবা লমচৎ শাজৎ অমসুং ৱাঙাঙ-শঙাঙ কয়াসি তারুবদগী খাঙবদা ৱারবা মীতৈ নোংশা পাঙ্গলবশিং নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা লান শোক্নরুনবা লানফম ময়ায় তম্না চঙশিনখ্রে। মীতৈ লৈমা ইমাশিংগী থৌজাল ফংলবা থৌনা ফরবা নোংশাশিং অতাবী অমা খঙদনদি লানফমদগী পাক হেক হল্লক্কনি থাজনদ্রে। মরমদি মহৌশা অৱানা লান্দারক্তুনা চহী তরেৎ খুন্তাক্লুবদগী অমুক হন্না মণিপুর নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা মতমদুগী ইপা ইপুশিংনা অৱাশিংগা শোক্নখিবা অকনবা লানফম অদুগী চঙলমদাই মতমদা ‘নোংমদা পোকপা মচানি নীনি শিবা হৌনদে!’ হায়রিবা মন্ত্র অদুমক ঙসিগী লানফম অসিদা চঙবদসু শোল্লগা চঙখিবা অদুননি। ●

# মতম মতমগী

## গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

লৈঙাক্না ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহল্লিবমখৈ পাল্লিবা লৈঙাক অদুদা কো-ওপরেসন পীবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি। করিগুম্বা লৈঙাক অদুনা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীবগী মহুত্তা ফংফম থোকপা হক মৎপীরবদি কো-ওপরেসন পীদবা অসিসু ঐখোয়গী চপ মান্নবা ইথৌ অমা ওইনা লৌগনি। কুমজা ১৯২০দা মদ্রাজ (চেন্নাই) দা মীয়ামগী মীফম অমদা মহাত্মা গান্ধীনা হায়খিবনি। ঐখোয়না বাপুজিগী পূন্সিগী ৱারীবু কূপ্না নৈনরবদি মহাক অসি মতম অদুগী আইন থুগায়বা মীওই অমা ওইনা লৌবসু য়াই। মহাক্না বৃটিশশিংদা নখোয়না আইন কয়া শেম্মু, ঐহাক্না মদু থুগায়গনি হায়খিবগা লোয়ননা বৃটিশনা মতমদুদা শেম্বা আইন কয়া মহাক্না শীংনখি অমদি থুগাইখি। মতম অদুদা লৈঙাক্লিবা কাঙবুনা শেম্বা আইন কয়াগী মায়োক্তা লৈবা অমদি থুগায়বগীদমক মহাকপু ক্রিমিনেল অমনি হায়না লৌগদ্রা?

শান্তি অমদি অহিংশাবু মরু ওইবা খূৎলায়নি হায়না খঞ্জখিবা বাপুজিনা মতমদুগী বৃটিশনা শেম্বা আইনগী মায়োক্তা করিগী লেপখিবনো? মতমদুগী লৈঙাকপশিংনা শেমদুনা চৎনখিবা মশীং য়াল্লবা চৎন-কাঙলোনদা য়াওবা মীওইবগী ফংফম থোকপা হক ফংহন্দবা অমদি শেল্লিবা আইনশিং অদুনা লৈবাক্কী অশেংবা মপু ওইরিবা মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবগী মহুত্তা নৈহৎপীবনা মতম অদুগী মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীদ্রবা আইনশিং অদুগী মায়োক্তা বাপুজিনা লেপখিবনি হায়। লৈঙাক্লিবা কাঙবুদুনা শেম্বা লৈবাক্কী আইন ওইরবসু মশীং য়াল্লবা মীয়ামগী মায়োক্তবু লৈরবা, মীওইবগী ফংফম থোকপা হকপু শীংনবা আইন ওইরবদি খুন্নাইদগী মরূ ফংনা মূত্থৎকদবনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা গান্ধীজিগী থম্মোয়দা লৈরম্মী। ফাদর ওফ নেসননি হায়না শীংথানরিবা বাপুজিগী লুচিং মখাদা মতম শাংনা হৌখিবা নীংতম লান্দা মায় পাক্তুনা নীংতম্বা ফংলকখিবা, মালেমগী মকোক থোংবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমা ওইনা শীংথানরিবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবা মণিপুরগী মীয়াম মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমগী ফংফম থোকপা মীওইবগী হকশিং ফংলিবরা? ফংফম থোকপা হকশিং ফংদবনা মীচম মীয়ামদা করম্বা চৈথেং পীবগে অমদি খুন্নাই অসিবু করম্বা মায়কৈদা পুরিবগে হায়বদুসু য়েংশিনবগী মথৌ তারি।

# দিসেম্বর ১০না লাকপদা

মালেমগী ওইনা য়েংলবসু চাউরাক্না তরাতরুকশুবা চহীচাদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা অচৌবা য়াওলশিং অসি মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈদা মীওইবনা ফংফম থোকপা হকশিং নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা ফংহন্দবদগী হায়রিবা য়াওলশিং অসি থোকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। ১৬শুবা চহী চাগী মনুংদসু অমেরিকাগী কোলোনি ১৩না বৃটিশকী নিংথৌগী মায়োক্তা হৌখিবা লান অদুবু ঙসি ফাওবদা ঐখোয় পূম্নমক্না আমেরিকাগী নীংতম লাননি হায়না খঙনরি অমদি মসিগী লান অসিনা মরম ওইরগা আমেরিকাদা কোলোনিএল সিষ্টম লৈখা তাহনখি। থৌদোক অদুনা অমেরিকানশিংনা মীওইবগী হকশিংদা য়ূম্ফম ওইবা চৎন-কাঙলোন অমা ফংখি হায়না লৌবা য়াই। কুমজা ১৭৮৭তা হৌখিবা ফ্রেন্স রেভল্যুসন অদুসু মীওইবগী হকশিং অসিনা মরু ওইবা ৱাফম ওইখি। ঙসি ঐখোয়না ফংলে হায়দুনা চাউথোকচরিবা লিবর্টি অমসুং ইক্বেলিটি অসিসু মথক্তা পনখ্রিবা রেভল্যুসনশিং অসিদগী ফংলকখিবা মহয়নি হায়না লৌবসু য়াই।

ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুরবসু মালেমগী দিক্লেরেসন ওফ রাইট্স অমসুং অচৌ-অচৌবা রেভল্যুসনশিংদগী ফংলকপা মীওইবগী হকশিং অদুবু লৈবাক অসিগী কন্সর্টিট্যুসনগী আর্টিকেল নম্বর ১৪দগী ৩৫ ফাওবদা ফন্দামেন্টেল রাইটকী মিংদা তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক তরুক থোক্না খায়দোক্তুনা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১৩০দা ফংফম থোকপা হকনি হায়দুনা লৈরি। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা ফংফম থোক্লবা কন্সর্টিট্যুসননা পীরবা মীওইবগী হকশিং অসি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী লমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা মপূং ফানা ফংলিবরা? আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট ১৯৫৮ অসি কুমজা ১৯৬১দগী মণিপুরগী মফম খরদা চলাইরম্বদগী কুমজা ১৯৮০দগীদি মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা চৎনহল্লকখিবনি (হৌজিকপুদি মচেৎ মকাই ওইনা মফম খরদা লৌথোকখ্রে) মীয়াম্না পাম্নদ্রবা অমুবা আইন হায়না খঙনবা এক্ট অসিগী মখাদা আর্মিদা লাইসেন্স টু কিলগী শক্তি শিন্নবগুম মণিপুরগী অপূনবা মীওই লাখ ৩০ মুক অসিগী ফংফম থোকপা কন্সটিট্যুসনল রাইট ফংদনা লাকখিবনি। তমথীরবা আইন অসিগী মখাদা লমদম অসিগী নুপী কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে, মীচম কয়াগী মপূন্সি লোমখ্রে, কয়া অমনা শোয়নাইহনখ্রে, কয়া অমনা থিবা ফংখিদ্রে। চহী কয়া লিশাং শিংনা মণিপুরগী মীয়াম্না ফংফম থোকপা হক ফংদনা লৈরক্লি।

মালেমগী ওইনা য়ুনিভর্সেল দিক্লেরেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা কুমজা ১৯৪৮দগী দিসেম্বর ১০বু মালেমগী মীওইবগী হক কনবা নুমিৎ ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুরদসু কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ১০দা মীওইবগী হকপু কঞ্জনীংবা লূপ কয়ানা শিন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমগা লোয়ননা মীয়ামগী মীফম অমা ইম্ফালগী ষ্টেটহুদ স্কৱারদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা হোং-হোংদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯২দগী পাঙথোক্লক্লিবা থৌরম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মীওৎ-মীনৈ লৈতবা, ফংফম থোকপা হক খোঙ্গাওনদবা, মান্নবা খুন্নাই অমা লিংদুনা তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবনি। মালেমগী ওইনা ৭৪রক হৌখ্রে, মণিপুরগীসু ৩১রক পাঙথোকখ্রে, কুমজা ২০২৩গী দিসেম্বর ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা ৩২রক শুবা ওইগদৌরিবনি (পাঙথোক্লবদি) অদুবু তবীগদবা মীওইশিং অদুনা তবীরিবরা হায়বদুদি ঙসিসু মরু ওইবা ৱাহং অমা ওইরি। অফস্পাগী মরুমদা চথরম্বা মীহাৎ-মীপূনবুদি শীংথাবা য়াবা মওংদা হন্থরে অদুবু মীওইবগী ফংফম থোকপা হক কয়াদি ঙসিসু ফংবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা ফ্রীদম ওফ স্পিচ, ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন লমদম অসিগী মীয়াম্না মপূং ফানা ফংবা ঙল্লিবরা? মীওই কয়ানা অনীংবা অপাম্বা মনীং তম্না ফোঙদোকপা ঙল্লিবগে? লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা ৱাফম অমা হেক ফোঙদোক্লুবদা এন এস এ পাল্লিবা, সোসল মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ইন্টরনেটতা থা তরেৎ অথিংবা থমদুনা মীয়ামগী মচিন মেনবগী মালেমদা রেকোর্দ থল্লিবা অসিবু হক খোঙ্গাওনবা নত্তবরা? হৌজিকপুদি হায় কোর্টকী অকনবা য়াথং অমনা হাংদোকহনখ্রে। মসিবু নুমিৎ ১৫নিগী ত্রাইএলনি হায়রি। য়ু শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপদা অয়াবা পীরবসু সোসল মীদিয়াদা অনীংবা-অপাম্বা নীংতম্না ফোঙদোক্লুবদি য়াগদবা মান্দ্রি, হেক ফোঙদোক্লুবদা অমুক থিংজিনখিগদবা মাল্লি। ময়ূম মৈ থাদুনা তাম্থোরকখিবা থা তরেৎ হেল্লবা ফাওবদা ময়ূমদা চঙবা ঙমদনা মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরিবা মীওইশিংগী হিংবদা শীংনরিবা অসিসু তরাইনা লৌফম থোক্তে। মীওইবগী ফংফম থোকপা রাইটস ভাইওলেট তৌবগী মওংদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। মরকসিদা দিসেম্বর ১০দি অমুকসু লাক্লে, হক্কী মতাংদা ঙসিসু অমুক নৈনরগনি, মণিপুরগী অমসুং ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা য়াইফ-পাউজেলগা লোয়ননা ৱাফম কয়াসু থল্লক্কনি। ফংফম থোকপা হক কয়া ফংদ্রিবা, মীওৎ-মীনৈ নংলিবা লমদমসিগী মীয়াম্না তানীংগদ্রা? মখোয়না ঙাঙলিবা অদু নোংমৈ অমদি বোমগী মখোলগা করি খেন্নরমগনি? ●

# ৱাইথৌ পাৎতা থম্বৌ তালহৌবী থাবল্লে

## (থম্বৌ মতাংগুম শাংতক তৌবা থাবল্লেগী খুজেং, পাম্বোম, খুবোম অমদি নীংথিজনা চুং-ফিরাল চারবী পূম্নমক থম্বৌ মচুনি)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

হোম-হোম লাউবা লৈঙোই ফোলিগী শরুক য়াম্না য়াওবা তুরেল মপানগী পাৎ মচা-মচাশিংদা থম্বাল কৌবী লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎলিবা মফম লমদমদুদা খোইমু খ্বাংজেংবশিং মশীং থিঙমদনা ঙংল-ঙংলদুনা পাইরি লৈহি চূপ্পনবা। খোইমুশিংনা লৈহি চূপ্পা অমদি লৈনা খুদিংগী চঙশিন-চঙশিন্দুনা ঙংবদগীরা নৎত্রগা লৈমন চনবনরা হায়বসিমদি চমম্নরে, থম্বালগী লৈনাশিংদু কেল্লদুনা ঈয়াইথক্তা মথং-মথং তারি/তাউরি। লৈনা কেল্লবা থম্বালশিংনা, থমচেৎ ওল্লদুনা ঙক হাইবীগী তাম্থাদা মঙক লিখৎতুনা নোম্না-নোম্না জগোয় শাবগুম, ঙক হাইবগুম্না নোল্লি। লাপ্তক্না ঈশৈগী শুর অমা তারক্লিবা মায়কৈরোমদা নাকোং থাঙ্গৎতুনা (খোইমুশিংনা ঙংবগা, স্কুটর মখোলগা) য়ানশিন্নবা তাম্থাদু সুম-সুম নকশিল্লকই। হৌজিক্তা নৌহৌননা নীংশিংলক্লিবনি, হো নাওরি কাপ্পা তাদা... খোইমুশিং খরা তাল্লম্মো... নাওরি কাপ্পী ফদ্রৎ.... ইহে... পাল্লে থম্বালদা, নৌনা কেল্লে ঙক হাইবীসে। ঈশৈ অসি মতম অমগী হিট শোংনি, ময়েক্না লাইওইখ্রবা পাবুং জি সী তোংৱা (গীৎচন্দ্র তোংব্রম) না ইরম্বনি (ঙবোংখাও দ্রামা, পদ্মশ্রী এৱার্দ ১৯৭৫/সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ১৯৭৮ ফংখি) অমসুং লাইওইখ্রবা ইয়াম্বা খুন জয়কুমারনা শক্তম লাংবা/শৈশক্লম্বনি মতমদুদা ঙবোংখাও মমিং শেগাক কায়না চৎখিবা রেদিও দ্রামানি, ঈশৈ খুদিংমক হৌজিক ফাওবা নৌদুনতা লৈরি।

জপান অমসুং চাইনাদদি থম্বালশিংসি লাইদা কৎনবা/কৎনদবা হায়বসিমদি খঙদে অদুবু থম্বাল অমগী মমলসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে/তাঙখ্রে। থম্বাল মনা অকংবগী ‘চা’ য়াম্না পাম্নবা থক্লে, ইনাকখুনবশিংনা খ্বাইদগী হেন্না থক্নরিবনি। অমুক থম্বালদগী থমচেৎ মরূনা হেন্না পাম্না চানৈ, থমচেৎ মরূ অকংবসি তকখাইরগা চাবদা মখল খুদিংগী ভিটামিন ফংই হায়বা নোংম-নোংমগী খঙনরকপদগী থমচেৎ মরূগী পাউদর শেমদুনা লৈঙাক্না অখন্ননা থৌরাংশিং পায়খৎলিবনি। অমুক্কা হেন্না ঙক্লিবদি থম্বৌ অসিনি। থম্বৌ শিংজু, থম্বৌগী মখল-মখলশিং জপান অমসুং চাইনাদসু ফজনা চানৈ। থম্বৌ অকংবা অমসুং থম্বৌ অকংবগী পাউদর শেমদুনা মীওইবগী হকশেলদা কান্নরবা ভিটামিন মখলশিং ফংই হায়দুনা থম্বৌগী মমলসি য়াম্না তাঙলিবনি। মরম অদুনা থম্বাল/থমচেৎ/থম্বৌগী শাগৈ অসিদি অসুক্কী মতিক মমল য়াল্লিবনি জপান অমসুং চাইনাদা।

মণিপুরগী ৱাইথৌ পাৎ (থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট) তা লৈবা পাৎ অসিদগী থম্বাল/থমচেৎ/থম্বৌ মখল অহুমসি মথং-মথং পুথোক্লিবনি। থম্বৌ তানবা হায়বসি য়াম্না লায়না লূবা থবক্কী শিন্থা অমনি। শিনফমসিদা চঙদ্রিবা/খঙদ্রিবা মীওই অমনা হেক্তা লায়না থম্বৌ তানবা য়াবা/ঙম্বা নতে। থম্বৌ মশাং-মশাং ওইনা তান্দুনা পুখৎলকপা হায়বসি হেক্তা য়াগদৌবা নত্তে, হৈশিংবা (পাড়া পাবা/খঙবা) অমা চঙলিবনি। থরাইকোকপী তীল অমুবা মখলদু পাৎ অসিদা য়াম্না ফংই। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৭কী ওক্তোবর থাগী খোঙচৎ অমদা তাঞ্জা চান্নরুবনি। থরাইকোকপী ঙৌরগা শিংগা তোকশুদা শুরগা পীজরকই, (শিং, উমোরোক, ঙারি, ঙা অয়াইবা, থরাইকোকপী অঙৌবগা পূন্না তোকশুদা শুমিন্নবনি) মরোই-মরাং চাইরগা, থম্না অনৌবা (থম্না লাকোন) গা চাবদুদি ওইনম্না ওন্থোক্না হাওখ্রে। থম্বৌ শিংজু, থম্বৌ হৈঙান মখোয়না পীজরকপদু ওইনম্না হাওখ্রে। ঐখোয়গী হোটেলদা য়াওরম্বা অঙাং (কিরন কৌবা নুপামচাদু) উন্নবা চৎপদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পীজরকপনি (থম্বৌ তানবদু নুমিৎতুদা উরকপনি)। ঙসাই অয়ূক্তা থম্বৌ তালহৌবী মমা/মচানুপা/মচন্নুপী মখোয় অহুম্না তাল্লকপা থম্বৌশিংদু ফিনা য়োল্লগা মকোক্তা থোঙ্গৎতুনা ঐখোয় পূন্না কামিন্নরকপনি।

ঐখোয় অনীবু ইম্ফালদগী ঙন্না লাকখিবনি চাক চাখিদৌনি হায়দুনা য়াম্না কন্না হায়রবদুদা ঐখোয়সু য়াওনা পূন্না চাক চামিন্নরে (এঞ্জাংদি হঙ্গামগা ঙাগা থোংবনি)। চাক চাবা লোইবগা ঙসাইগী লৈশাবীদু কোলেজ অহানবা চহীদা তল্লিবীনি, কোলেজ কারুখিগে হায়রদুনা একাগাড়ী ইন্থোরকপদা পুমঙক ঙক্লুরবনি। কোলেজগী ফিজোলদু শেৎলগা ৱাং-চাউরদনা মশমকাদু বেনি লোল্লগা খোঙউপ অমুবা, মোজা অঙৌবদু তোংলগা ফিল্মদা হিরোইননা কোলেজ কাবগী শক্তমদা থোরকপদা ঐদি ফিল্ম শুটিংগুম ঙক্তুনা য়েংলিবনি। চঙশিন্দুনা লুপা চাম্মা চৎপী অনী থক পী, করি মিং কৌবগে ইচানুপী? (পাবুংনা নুংশিদুনা পীবনি, লৌরোইয়ে পাবুং হায়না খুল্লকই) মিংবুদি ‘থাবল্লে’ কৌই!! ঐনা মখূত্তা পায়রগা শেলদু নমদুনা পী অদুগা ‘সিগী’ খূৎসিনিকো ঙসাই থম্বৌ তাল্লুরিদো হায়না থৌওইনা পায়দুনা য়েংলিবনি। মখূৎতু থোৎ-থোৎ লাওই, থোৎলি (থম্বৌ মতাংগুম্না শাংতক তৌবা থাবল্লেগী খুজেং, পাম্বোম, খুবোম অমদি নীংথিজনা চুং-ফিরাল চারবী পূম্নমক থম্বৌ কুপ্সু ঙমজবীনি)। মসি খূৎসিনা থম্বৌ তাল্লিনিকো, ওন্থোক্না থাজখিদ্রেদা, কনানসু থাজরোই, ইমিৎসিনা শংশংনা উরক্লিবনি থাবল্লেনা ইরুপ্তুনা থম্বৌ তানখিবদো/থরাইকোকপী ফাখিবদো। থাবল্লেনা মখা শমথরকই, নোংমনা অঙনবা অয়ূক্তা লৌবুক্তা কুমথরগা ঈশিং কংখ্রবা চোৎ-চোৎ লাউবা লৌবুক্তা ষম্থি অচোৎপদু থিৎলগা শিৎ নান্না ৱাই তৈথোক্লিবনি, ষম্থি মনমদা ঙাকিজৌ অচৌবদু ফন-ফন হেক্তা চোঙখৎলকপদু তুঙ্গোল অমা পীকথন্না ফারিবনি, পূম্নমক পূন্সি শিন্থানি। নাকল অমরোমদনা ষণগী খোঙ্গুন্দা ঈশিং তুংবদো, চারোৎ-নাপিনা কুপশিন্দুনা লৈরিবদু থক হেক হাইদোক্লুবদা খজিং মপীনা প্রিক-প্রিক শৌনা লৈরল্লিবনি। লৌরোক পান্থা লোইখ্রগনা ৱাইথৌ চীঙ্গোলদা থারিবা কিহোমনচিংবশিং হেকপগী খুলং চৎলিবনি (ৱাইথৌ পাৎ/ৱাইথৌ চীংসি ঐখোয়গীদি থৱায়নি) শূ-নোম্বদা চিলহাও থিবা হায়বদু ঐখোয়দা খক লৈখিদে। পাবুং নচা কোলেজ চৎলুখিগে হায়রল্লগা তপ্না-তপ্না থোকখ্রে। থাবল্লেনা চৎখিবদু মুন্না য়েংলদুনা, মহাক্না মিকুপসিদা হায়রম্বশিংদু খল্লদুনা ৱাখল অমা শাগৎলিবনি।

হৌজিক মতমগী ফিল্ম কুম্মৈগী শক্লোন লৌরিবশিংগী মনুং চল্লিবা হিরোইন হায়বীদু মহাকুম্বীনা ওইরগতা পকচগদৌবনি। তশেংনমক মহাক্না কোলেজগী দ্রেশ শেৎপদুদি ‘লাই মচাগুম নীংথিজখ্রে’ য়েংলিখৈ পেনবা নাইদে। ঙসাই অয়ূক্তা ঈশিং মনুংদা লুপ্তুনা থম্বৌ তালহৌবী, লৈখোম-লৈনাংদা থরাইকোকপী ফাহৌবী নুপীদু কোলেজ তল্লিবী ‘থাবল্লে’ কৌবী অসি ওইরল্লবা হৌজিক হৌজিকমক ফিল্ম কুল্লিবী বালা, সোমা, আর্টিনা, সুস্মিতা, বিজুনচিংবদৈ করিমত্তা তাগদৌবা নত্তে। এক্টিং হৈবা হৈতবদি অদুক হাক্লসু থোইদোক্তে, অঙাংনি তল্লগা হৈরক্কনি খন্না ভাবোকশিংনা পাম্নমা য়েংনরগদৌবা থাবল্লেনি। মহাক্কী শিন্থাদি নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক ঙন্তানা মমা অমসুং মৌপ্বাগা লোয়ননা থম্বৌ তাল্লিবা, থরাইকোকপী ফারিবা, ইমুং-মনুংগী শেন্থোক লম্বী অমগুম্না (ৱাইথৌ পাৎসি মখোয়গীদি থৱায়নি)। অয়ূক্কী চাবা-থকপা লোইরগা থাবল্লেগী মমা ইবেচাওবীনা, ঙসাই মখোয় অহুম্না তাল্লুরিবা থম্বৌশিংদু নীংথিনা ফি মচেৎ অমনা ঈশিং লূপ-লুপ্পগা তক্তুনা চামথোক-শেংদোক্লিবনি। লোয়ননা থরাইকোকপীশিংদু কাতিনা মখোঙ অমসুং মসাশিং লোইনমক ককথৎলিবনি। শেংবা অমসুং ককপা লোইশিল্লকপদা লল্লোনবীশিং (খুফা/মঙাই) লাক্তুনা ঙসিদি য়াম্না য়াম্বদি নৎত্রেদনা, থরাইকোকপী বালতিন/তুঙ্গোল অদুগা পূন্না লুপা ৪০০/৫০০দি নুমিৎ খুদিংগী ফংলিবনি। মদুম্না ইমুং-মনুং, মচাশিং মহৈ মশীন তমহন্দুনা য়ূম পাল্লিবনি।

মৌপ্বা নুপা কিরন ঐগী হোটেলদা য়াওরম্বনি, মহাক্না হোটেলগী থবক তৌবা য়াওজগে লাকপা মতমদু মশাগী চহী ১১/১২মুক শুরকপা, চহী অমরোমগী মমাঙদা ওইরমগনি। থম্বৌ তানবা তল্লি য়াম্না ৱাই হায়দুনা ময়ূমদগী তূমিন্না থোরক্তুনা ঐগী হোটেলদা য়াওরবনি। হান্নদগী লৈরবা রোমিওগা পূন্না লৈমিন্নরিবনি। কিরননা হোটেলদা য়াওখিবা নুমিত্তুদা মহাক্কী মমিং, অপোকপগী মমিং হংলুবদা মপা লৈখিদ্রে মিংদি ইবোচৌবা কৌই লাইশ্রমনি, ইমাগী মিং ইবেচাওবী কৌই, ৱাইথৌ চীঙ্গোল/ৱাইথৌ পাৎ হায়না ডাইরিদা ইশিনখিবদু য়েংলগা কিরন উনবা চৎলুবগী খোঙচৎনি। অদুবু কিরনদি (অশেংবা মিং নত্তে ইবোচৌবা, ইবেতোম্বী, থাবল্লে পূম্নমক কল্লনানি, কনাগুম্বা/কনাগুম্বী অমত্তগা মরী লৈনদে) চৎসি য়াদ্রে, লাইরিক মখা তমথরে হায়রকপদুদা য়াম্না নুংশিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমা পীরল্লগা লাইরিক ফজনা তম্মুকো হায়রল্লগা থম্বৌ খরা হাপ্পীরকপদু ঐগী গাড়ীদা হাপচিল্লগা থৌদুনা অমুক হল্লক্লে। লম্বীদা থাবল্লেগী কোলেজদুবু লম্বী শোমদা ওইবজাৎলা (কোলেজ মমিং হেক হংলক্তেদা শোল্লদুনা) অনৌবা ফিল্ম অমগী আশা শাগৎলিবনি, মহাকপু ফিল্ম কুমহনগে খল্লিবনি। অমুক্তং য়েংলুখিসিরা হায়না মুরুম-মুরুম সুম শোনবদুদা ঐখোয় মমানা তপ্না হায়রকই, হৌজিক ঐখোয়গী য়ূম মাংলি, য়ুম মাংলিঙৈদা নুপী হায়নবা/মাঙ্গোন কাবা নৎত্রগা ফিল্মগী নুপী হায়নবা চৎপনচিংবা অমত্তা তৌনদে, তৌহৈদে, কোন্না য়ূম শেংলকান্দা তৌগদবনি কাউরবরো হায়রদুনা ঐবু থেমজিল্লিবনি।

অসুম্না ইবানি ইম্ফাল তম্না হল্লকপগী লম্বীদা মহাক্না তপ্না ৱাফম অমা হায়রকই থাবল্লেসি য়াম্নদি ফজৈ অদুবু মঙোন্দা অশোয়বা অমা য়াওরিবদু উরকপরা? ঐনা ঙক্লদুনা করি অশোয়বা থাবল্লেদা য়াওরিবা? মহাক্না মখা তারকই, ঐসু কোন্না খঙলকপনি থাবল্লেগী ওইথংবা খুবিদু অনী লোংবীনি। ঐনা খুদক্তা খুমখি অশেংবৈনিকো অদু ওইরগদি মিনাকুমারিনা মহাক্কী এক্টিংদা য়াম্না হৈশিংনা মখূৎ (ওইনানা ফিজি পায়শিন্দুনা) মহাক্কী অরোংবা খূৎশা লোৎখিবদুগুম তৌহনবা তাবনিনে নৎত্রা? ইবানি পূন্না নোকমিন্নে (অদুম্না তৌরবদি ফিল্মদু খুবী লোংইগা/লোংদেগদা অনীরক/অহুম্লক হঞ্জিন্না হঞ্জিন্না শোয়দনা য়েংনগদৌরিবনি) খঙলবরা? ফিল্মদুগী ডাইরেক্টর অমসুং কেমেরা পায়বগা কূপ্না তানরগা এক্টিংদা মাগী খুবী অরোংবদু হাইফেৎ-হাইফেৎ উহনবগী শোটশিং লোইনমক কাপহৌরগা, লোইশিল্লকপা লুহোংবগী লৈ হুক্লবা মতাংদা মাঙজৌননা খূৎশাদু ওপরেসন তৌথোক্লগা তরং-তরংনা উহনগদৌবনি, অদুম্না তৌরবদি ফিল্মদু ‘হিট’ শোয়দনা চৎকদৌরিবনি। মিনাকুমারিগী ৱাফম নীংশিংলকপদৈ খল্লকখিবনি, থাবল্লেসি পুরা পুরি শক্তা-চুদা/মায়থোঙদা/ফীভমদা মিনাকুমারিগা চপ মান্নে (সিদবু ফজৈ করম্না হায়রোইদৌরিবনো) চুম্লেদনা (চুনরেদনা) প্রমানসে। খরা লৈরগদি পুরা লৈশাবী মপূং ফারগনি, অফবা নুপা অমা ফংজবা ওইরসনু, মতমদুদনা হেন্না ফজগনিবো। ফজবী হায়বসিদি তোঙান্না হেক্তা তাই, ইপক্তা পকচৈ, ইনুংতা নুংশি। ৱাইথৌ পাৎতা/চীঙ্গোলদা থম্বৌ তালহৌবী থাবল্লেগী ৱারী শানা-শানা ইম্ফাল য়ৌখিবা খঙহৌদে। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **‘‘গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) **‘‘মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **‘‘এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্‌শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্‌গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।’’** শৈরেং মতেক অসি শক্নাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **‘‘মল্লবা খাঙপোকশঙ’’**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?

৫) **‘‘নুপী অমসুং মমিশিং’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।